# ব্রাচৎ ব্রানোম তৌবগীদক ঈশৈ অমা ওস্কার নোমিনেসন ককখ্রে

*লোস এঞ্জেলিস, ফেব্রুৱারি ২ঃ* একাদেমি ওফ মোসন পিকচর আর্টস এন সাইন্সেসনা 'অলোন য়েট নোট অলোন' হায়বা ঈশৈ অমগী শৈরেংবা ব্রুস ব্রাউটননা ফজদবা মওংদা ম্যুজিক ব্রাঞ্চকী মেম্বর ৭০ দা লোবী তৌরম্মী হায়বগীদমক ঈশৈ অসি বেষ্ট ওরিজিনেল সোং কেটেগোরিগী ওস্কার নোমিনেসন্দগী কক্লে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

রিলিজ তৌদ্রিবা ফিল্ম অমদা য়াওবা ঈশৈ অসিবু ওরিজিনেল সোং নোমিনেসন্দগী কক্লবা বোর্দ ওফ গভর্নরনা লৌখিবা ৱারেপ অদু য়াম্না মুন্না অমদি কুপ্না খল্লবা মতুংদা লৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ওস্কারগী ভোটিং প্রোসেস অসিগী ইন্টিগ্রিটিবু থাক হন্থনা উখিবা য়াবা মরম খুদিংমক একাদেমি অসিনা য়াম্না লুনা লৌই। অদুবু ব্রাউটননা চথখিবা থৌওংশিং অদু মসিমক চপ চানা থোকহল্লি হায়না একাদেমি অসিনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরকখি।

মীয়াম্না অমুক্তা উদ্রিবা ফিল্ম অমগী মমিংমক ওইবা মীয়াম্না তানদ্রিবা ঈশৈ অমবু দিসক্বালিফাই তৌবগী ৱারেপ অসি ইথা থাজদনা ঈশৈ অসিনা নোমিনেসন ফংলে হায়খিবা অদুগী মতুং চয়োল অনি ফাবাত্তনা থোক্লককখিবনি।

ওরিজিনেল সোংগী নোমিনেসন হায়বসি অরোনবা থৌওং অমদা চথবনি। ইলিজিবল ওইবা ঈশৈশিং অদু টাইটল অদুখক্তমক অদুগা ফিল্ম মমিং অদুখক্তগা লোয়ননা শীজিন্নরগা চথবনি। মসি অচান মীরাই নাইবগী খুৎ চংবা য়াদনবগীদমক্লি। অদুগা একাদেমিনা নোমিনি ওইনা ভোট পীগদৌরিবা মেম্বরশিং অদু শুপ্নগী ঈশৈ অদুনা ফিল্ম অদুদা মাই পাকহনবদা কদাই ফাওবা থৌগৎপা হায়বসিখক্তদা যুম্ফম ওইরগা পীবনি। ঈশৈ অদু কনানা ইবনো হায়বা য়েংবগী মথৌ তাহন্দবনি হায়নসু চেরোল অদুদা মখা তারকখি।

একাদেমিনা হায়বগী মতুংইন্না হান্না একাদেমিগী গভর্নর ওইরম্বা অমদি ম্যুজিক ব্রাঞ্চকী একজিক্যুটিভ কম্মিটিদা হৌজিক হৌজিক মেম্বর ওইরিবা শৈরেংবা ব্রাউটননা পথাপ অসি থুগাইখি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মহাক্কী মরুপ মপাং ওইবা ম্যুজিক ব্রান্স মেম্বরশিং পুন্না ২৪০ গী মনুংদা য়ামদ্রবদা ৭০ রোমদা ব্রাউটননা ই–মেল থাখি।

ঈশৈ অদুবু মশক খঙদোক্লবা অদুগা ভোট থাদগদবা ব্রাঞ্চ মেম্বরশিংদা মদুবু তানবা মহাক্লা খঙহনখিবা মতমদা নোমিনেসন ফংবা য়াবা অতোপ্পশিংনা ফংবা ঙমদবা খুদোংচাবা খরা লৌখি। মসিগী মহুৎতা মহাক্লা মীনা চিংনদনবা য়াম্না চেকশিন্না খোঙ থাঙলম্বা চুম্মী হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

একাদেমিক অসিদি মতিক চাবা ওস্কার কন্টেন্দর পুম্নমক্লা চপ মান্নলা থাক অমদা লম্বা তৌনবা শিনবা হায়বসিবু শোইহন্দনা তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌনবা কখোক্লবনি হায়নসু একাদেমিগী চেরোল অদুদা ফোঙদোরকখি।

# ইন্দোনেসিয়াদা মৈগী চীং পোকখাইখ্রে, মীওই ১৬ শিরে



*মাউন্ট সিনাবুং, ফেব্রুৱারি ২ঃ* থা কয়ামরুম ইনিল লৈরক্লবা মতুংদা মৈগী চীং অমা ইন্দোনেসিয়াদা ঙসি পোকখাইরকপদগী শিখিবা মীগী মশিং ১৬ শুখ্রে।

মৈনা কা হেন্না চাকথেক্লবা অশিবা অমা ফংবগা লোয়ননা ফিভম লুনা শোকখিবা কলেজ মহৈরোই অমসু হোস্পিটালদা শিখিবগা লোয়ননা অশিবগী মশিং ১৬ শুরে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমদা ফোঙদোরকখিবনি।

মাউন্ট সিনাবুংগী চীংচেপ মনাকশিংদা খুন্দাবা মীওই কয়ামরুম হান্না পুথোক্লুরগা মৈগী চীং অসিগী এক্টিভিটি হন্থরক্লে হায়দুনা ওঠোরিটিনা মীওই লিশিং কয়াবু ময়ুম ময়ুমদা হল্লকপা য়াহনখিবা মতুং নোংমা কোনবদা মাউন্ট সিনাবুং অসি পোকখাইরকখিবনি।

মী কনবশিংনা অশিবা হকচাং ১৪ ফংবগা লোয়ননা মৈনা পোক্লবা মীওই অহুম কনবা ঙমখিবনি হায়না নেস্নেল দিজাষ্টর মিটিগেসন এঞ্জেন্সিগী ৱাঙাংলোই সুতোপো পুরও নুগ্রোহোনা ফোঙদোকখি।

মসিগী মতুংদগী ঙসিগী অমুক মী কনবগী থবক হৌরকপদা মখোয়না মৈগী চীং অসিগী চীংদোলদগী মাইল অনি লাপ্পা মফম অমদগী অশিবা হকচাং অমসু ফংখি হায়না লেফটিনেন্ট কর্নেল অসেপ সুকরনানা ফোঙদোকখি।

নোংচুপ থংবা সুমাত্রাদা সিনাবুং অসি থা ৪ রোম চুপ্পা চিফেৎ–চিফেৎ পোকখাইরকখিবনি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা মফমদগী কিলোমিটর ৫ গী ৱাংমদা লৈরম্বা মীওই লিশিং ১৪ রোম্থু মশা মশাগী ময়ুমদা অমুক করিসু তৌররোই হায়না হল্লকহনখিবনি। চীংদোল নক্লা খুন্দাবা মীওইশিংসু খুদোংথিবা ফিভম লৈনা–লৈনা হৌখিবা থা ৪ রোমগী মনুংদা ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিল্লকখিবনি।

হৌখিবা থাংজদা মিটর ২৬০০ ৱাংবা চীংদোল অসিদগী শাথিবা পোকখাইবা পরিং অমা থোকখিবদগী খুঙ্গংশিং, ফার্মশিং অমদি উপালশিং উৎনা পুংকুপ কুপশিনখিবনি।

মাউন্ট সিনাবুং অসি ইন্দোনেসিয়াগী এক্টিভ ভোলকেনো ১৩০ গী মনুংদা অমা ওইবগা লোয়ননা মমাং চহিগী সেপ্তেম্বরদগী লেপ্পা লৈতনা পোকখাইবা হৌরকখিবনি।

ইন্দোনেসিয়া লৈবাক অসিসু পেসিফিক বেসিনগী অকোইবদা রিং ওফ ফয়ার হায়বা থা মচেৎ শাবা লমদম শরুক অমগী মনুং চনবনি। অতোপ্পা পাউ অমদনা ইক্লেদোরগী জিওফিজিক্স ইন্সটিট্যুটনা হায়বগী মতুংইন্না তুঙ্গুরাহুৱা ভোলকেনো অসি অহুল্লক পোকখাইরক্কুনা উৎ অমদি লাভাশিং কাপথোকপা হৌরক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

থৌওং অসি মৈগী চীং অসিগী এক্টিভিটি হেনগৎলপনি হায়নসু ইন্সটিট্যুট অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা শান্তিগী ৱারী কায়হন্নবা হোৎনরি



*যুবা, ফেব্রুৱারী ২ঃ* খা সুদানগী রিবেলশিংগী মায়ৈগেদগী বৃগেদিয়ার লুল রুৱাই কোৱাংনা ঙসি হায়বগী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা মখোয়গী লৈফম কোইথি থিদুনা এটেক চথখরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রিবেলশিংগী ৱাঙাংলোই ওইবা বৃগেদিয়ার অসিনা হায়খিবদা গভর্নমেন্টকী থৌওং অসি মমাং চয়োলদা য়ানদুনা সাইন তৌনখ্রবা সিজ ফয়ার অদু থুগাইবনি। মসি শান্তিগী ৱারী শান্নবা য়াদনবা গভর্নমেন্টনা অতম্নলা চথবা থবকনি হায়নসু মানা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

খা সুদানগী মিলিটরি ৱাঙাংলোই কর্নেল ফিলিপ অগুৱরনা হায়বদা ইনৌ নৌনা থোকপা খুৎ থোক্লবা থৌদোকশিংগী মতাংদা মহাক্তি খঙবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা কোৱাংনা পাউগী এঞ্জেন্সি অমদা হায়বদা রিবেল কম্মান্দরশিংনা মখোয়দা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং অমদি মখোয়গা শম্নবা মিলিসিয়াশিংনা লিয়র টাউন অমদি য়ুনিটি ষ্টেটকী অকোইবদা লৈবদা খুঙ্গংশিংদা এটেক চথৈ হায়বগী পাউ পীরকই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এটেকশিং অদুদা মীওই কয়ামরুমসু হাৎখ্রে হায়রি। অদুবু কেনিয়াগী কোনুং নাইরোবিদা কোৱাংনা ফোঙদোক্লিবা ৱারোলশিং অসি কয়ামুক চুম্বনো হায়বদি খঙবদি ওইথোক্লরোই হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা অফ্রিকাগী লৈবাক খরদগী লাকপা সুদানগী ফিভম অসিবু মোনিটর তৌগদবা এদভান্স টিম অমা ঙসি লৈবাক অসিদা থুংখ্রে হায়রি।

টিম অসিগী মরুওইবা থৌদাংদি ফজনা চৎনদনা লৈরবা লালহৌবশিংগা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা অনিগী মরক্তা য়ানখিবা সিজ ফয়ার অদু চপ চানা চৎনহন্নবা হোৎনবা অসিনি।

খুৎ থোক্লরিবা মায়কৈ অনিমক্লা চয়োল কয়ামরুম চথরকখিবা হাৎন–শুনবগী থৌদোক লোইশিন্নবা পান্দমদা হৌখিবা জনুৱারি ২৩ দা সিজ ফয়ার এগ্রিমেন্ট অসি সাইন তৌনখিবনি।

টিম অসিনা মরুওইনা মালাকাল অমদি বেন্টিয়ুদা খুৎ থোক্লবগী থবক অমত্তা মখা চথদনবা হোৎনগদৌরি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# মৈখু থকপগা মরী লৈনবা লায়না খরসু খঙদোক্লে

*হন্দক্তা থাদোরকপা য়ু এসকী রিপোর্ট অমদা হান্নদগী মৈখু থাকপগা থবোম্বীগী কেন্সর অমদি থম্মোয়গী লায়নাগা মরী লৈনৈ হায়না খঙনরিবা অসিগী মথক্তা দাইবেটিজ, অথ্রাইটিস, নুপাগী শক্তি শোন্থবা, মিৎ উদবা অমদি লিভর কেন্সরনচিংবা লায়নাশিংগসু মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোরকখ্রে।*

*অনৌবা মতমদা শীজিন্নরিবা চুরূট অসিনা হেন্নসু খুদোংথিনিঙাই ওই হায়না য়ু এস সার্জন জেনরেল অমা ওইরিবা ডাক্তর বোরিসদি লুস্নিয়াকনা ফোঙদোকখ্রে।*

*রিপোর্ট অদুদা হায়বগী মতুংইন্না মৈখু থকপনা দাইবেটিস মেলিটস, রুমেটোইট অথ্রাইটিস অমদি ইম্মুন সিষ্টেম ৱিকনেসসু থোকহল্লি হায়না ফোঙদোরকখি।*

*অসিদা নত্তনা টি বি লায়না, ফর্টিলিটি হন্থবা, চিনবান অমদি ঙৌ কায়বা অসিনচিংবসু মৈখু থকপনা থোকহল্লি হায়রি।*

*মীরোল্লিঙৈ মতমদা মৈখু থকপনা পুক্নুংগী অঙাংশিংদা চিনবান অমদি ঙৌ কায়বা নুপাগী শক্তি শোন্থবা অমদি চহিগা মরী লৈনবা মেক্যুল্লর দিজেনরেসনসু থোকহনবা য়াই হায়রি।*

*মৈখু থক্তবা মীশিংদা সেকেন্দ হেন্দ স্মোকনা করিগুম্বদা ষ্ট্রোক থোকহনবসু য়াওই হায়নসু রিপোর্ট অদুদা মখা তারকখি।*

*চহি ৫০ গী মমাংদা থক্লরম্বা চুরূটতগী ঙসি থক্লরিবা চুরূট মশিংনা হন্থরে। অদুমকপু থবোম্বীদা কেন্সর থোকপা য়াবগী খুদোংথিবদি ঙসিগীনা হেল্লে। ইং ১৯৫০ গী মতুংদগী চুরূটতা য়াওবা মচলশিং অমদি শাবগী দিজাইন হোংদোকপনা মীওইবগী থবোম্বীদা খ্বাইদগী কমন ওইবা এদেনোকার্সিনোমা থোকহনবা য়াবগী খুদোংথিবা হেল্লে হায়রি।*

*চুরূট অমদা য়াওবা কেমিকেলশিংগী য়ামদ্রবদা ৭০ রোমদি কার্সিনোজেন ঙাক্তনি। অদুগা অসিগুম্বা কেমিকেলশিংগী চাং মেন্যুফেকচরিং প্রোসেসতা হোংবগী মতুংইন্না হেনগৎলক্লে হায়নসু ডাক্তর বোরিসনা ফোঙদোকখি।*

*নুপীশিংনা চুরূট থকপদগী থোক্লকপা লায়নাগী খুদোংথিবগী চাংসু চহি ৫০ রোমগী মরক অসিদা য়াম্না হেনগৎখ্রে। হৌজিক্তি নুপীশিংদসু নুপাশিংগা মান্নলা ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিভ পালমোনরি দিজিজ (সি ও পি দি) অমদি থম্মোয়গী লায়নাশিং নাবগী চাংনা হেল্লে হায়নসু রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোরক্লি।*

# ঐতিহাসিক ওইরবা মোহেঞ্জোদারোদা ফেষ্টিভেল হৌখ্রে



*কারাচি, ফেব্রুৱারী ২ঃ* পাকিস্থানগী মনুং চনবা মোহেঞ্জোদারো হেরিটেজ সাইটতা য়েংনবা মরক্তা লুপা মিল্লিয়ন ৪৫০ চংগদবা সিন্দ ফেষ্টিভেল ঙরাংদগী হৌখ্রে।

আর্কিওলোজিষ্টশিংনদি মফম অসিদা ফেষ্টিভেল পাঙথোকপদা মরুওইবা রুইনশিং অমাং অতা থোকহনবা য়াই হায়না নুংশা থিবা ফোঙদোক্লখিবনি।

সিন্দগী লৈঙাক থৌদা পুরিবা পাকিস্থান পিপলস পার্টিগী লিদর বিলাৱল ভুটো জর্দারিনা অচৌবা থৌরম অসি মোহেঞ্জোদারোদা পাঙথোক্লবা শিনখিবনি। মফম অসি ঙসিদগী চহি লিশিং ৫ রোমগী মমাংদা ইন্দস ভেল্লি সিভিলাইজেসনগী খ্বাইদগী চাওবা মীয়াম্না খুন্দাবা মফম অমা ওইরম্বনি। সিন্দ গভর্নমেন্টকী কলচর দিপার্টমেন্টতা সেক্রেটরি ওইবা সাকিপ অহমদ সুম্রোনা হায়বদা পাকিস্থানগা লৈবাক অসিগী ইশাগী ওইজবা ইতিহাসকী লনশিংবু চেকশিন্না শেন্নজবা ঙম্মী হায়বগী পাউজেল অমা ঙসি য়াচংবদগী মালেম পুম্বদা শন্দোকখ্রগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ ১৫ নি চত্থগদবা ফেষ্টিভেল অসি ঙরাং পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরমদা বিলাৱল, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়ুসুফ রাজা গীলানি য়াওনা দিপ্লোমেটশিং অমদি লো মেক্কর কয়ামরুমসু শরুক য়াখি। মীরৈবাক্কী মেদিয়া ওর্গনাইজেসনশিংগী মেম্বর কয়াসু হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখি। নিউজ ৱিক পাকিস্থাননা লৌবা ইন্টরর্ভিয়ু অমদা বিলাৱলনা হায়খিবদা, ফেষ্টিভেল অসিগী বজেদ লুপা মিল্লিয়ন ৪৫০ নি। ফেষ্টিভেল অসিনা পাক চাওনা পান্দম তৌরিবদি ঐখোয়গী নাৎকী ওইবা লনগৈশিংবু ঙাক শেনবা, হেন্না মশক ফজহনবা অদুগা য়োকপা অসিনি হায়না ফোঙদোকখি।

বিলাৱল অমদি মহাক্কী মচে বখতৱারনা সিন্দগী কলচর য়োকখৎপা ওইনা থৌরম অদুদা নাৎকী ওইবা ঈশৈ অমসু লাম্থোকখি।

অদুবু সিন্দ গভর্নমেন্টকী মেনেজমেন্ট বোর্দ ফোর এন্টিকিটিজ এন্দ ফিজিকেল হেরিটেজকী মেম্বর অমা ওইবা আর্কিওলোজিষ্টস অস্মা ইব্রাহিমনা হায়বদদি চত্থরিবা থৌওং অসি অঙাওবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখি।

# লেবাননদা কার বোমনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩ হাৎখ্রে

*হর্মেল, ফেব্রুৱারী ২ঃ* লেবাননগী অৱাং থংবদা সিরিয়াগা তাইনবা ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা হেজবোল্লাহনা খুৎলিংবা মফম অমদা কার বোম অমা পোকখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিরে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু বেকাভেল্লিগী নোংপোক থংবদা লৈবা হরমেল টাউনগী পেট্রোল ষ্টেসন অমগী মনাক্তা থোকখিবনি হায়নসু ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

মশাবু অল নুসরা ইন লেবানন হায়না কৌজবা লুপ অমনা থৌদোক অদু মখোয়না চথবনি হায়না ক্লেইম তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি লেবাননগা য়ুমথংনবা সিরিয়াদা থোক্লিবা কাংলুপ নাইনা চত্থবা ইৱাং অসিনা মরম ওইদুনা লেবাননদসু অসিগুম্বা তমথিবা এটেকশিং চত্থবা হেনগৎহল্লি।

হৌখিবা থা খরগী মমাংদগী হৌনা বৈরুট অমদি ত্রিপোল্লিদা থোকখিবা পরিং নাইনা চত্থবা কার বোম্বীংশিংনা মীওই কয়ামরুম পুন্সি মাঙহনখ্রবনি।

হন্দক চত্থরক্লিবা এটেকশিং অসি মরুওইনা সুনি অমদি সিয়া মিলিটেন্টশিংনা থোকহনবনি। ঙসিগী এটেক অদু লোকেল টেলিভিজনশিংদগী উবদা থৌদোক থোকখিবা মফম অদুদা অচৌবা মৈবুল অমা হৌখিবগা লোয়ননা কারশিং অদু মৈনা চাকথেকখি হায়রি।

থৌদোক অদুদা মীওই ১৫ সু অশোক অপন নংখি। লেবানিস নেস্নেল নিউজ এজেন্সিনা হায়বদা মীওই ৪ শিরে হায়না অহানবদা ফোঙদোক্লুবনি। অদুবু কোন্নদি অশিবা মশিং অহুমখক্তনি হায়না অমুক শেংদোরকখি। পনবা য়াবদি সিরিয়াগী গভর্নমেন্ট অসি হেজবোল্লাহনা শৌগৎপনি।

# চরাংনবা মরক্তা থাইলেন্দদা ভোট থাদনখ্রে



*বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারী ২ঃ* থাইলেন্দগী ওপোজিসননা বোয়কোট তৌই হায়না লাউথোকখ্রবা অদুগা অকাইবা থোকহন্নবা হোৎনবা মরক্তা থাইলেন্দদা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী হিষ্ট্রিক ৩৩৩ গী মনুংদা ৪২ দদি ভোটিং কেন্সেল তৌখি। মদুদা বেঙ্কোক্কী শরুক খরা অমদি খা থংবদা লৈবা প্রোভিন্স ৯ সু কেন্সেল তৌবদা য়াওখি। মফমশিং অসিদা গভর্নমেন্টপু য়াদবগী ৱাকৎ ঈহৌ কন্না চংশিল্লকখি।

মীখল অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাগী পার্টিনা মায় পাক্কনি হায়না থাজনরি। অদুবু এম পিশিংনা আইনগী ওইবা ৱাকৎ কয়ামরুম থাঙ্গৎলকপদগী মীখলগী ফল গী মতাংদা মখা তানা চয়েৎনবা থোকপা য়াই হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ইং ২০১১ দা পাঙথোকখিবা মীখলদসু মায় পাকখিবা য়িংলুকনা বেঙ্কোক্তা লৈবা মহাক্কী য়ুম মনাক্কী পোল্লিং ষ্টেসন অমদা ঙসি ভোট থাদবা হেক হৌবগা মশাগী ভোট থাদখি। থাইলেন্দদা মীখল অসিগা মরী লৈননা সিক্যুরিটিগ, অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা ওপোজিসনগী ৱাকৎ ঈহৌ অসিগী য়েংদুনা পাক চাওরবা মফমশিংদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি থমখিবনি।

নেস্নেল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মকোক ওইবা পেরাদোর্ন পটনতা বুত্রনা হায়বদা, পুন্না য়েংবদা ফিভম অসি থোইদোক্লা অকাইবা ওইখিদে। অয়ুক্কী ওইনদি করিগুম্বা ভাইওলেন্স থৌদোক অমত্তগী পাউ ফংখিদে হায়না ফোঙদোকখি।

সিক্যুরিটি ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদসু থাইলেন্দ শিনবা থুংনা ঙসি পার্সোনেল ১৩০,০০০ রোম দিপ্লোই তৌখি। মদুগী মনুংদা বেঙ্কোক্তা পার্সোনেল ১২,০০০ না মীখল ঙাক শেনখি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# অলকাইদানা অলেপোদা য়ানদবা রিবেল লিদর হাৎখ্রে

*বৈরুট, ফেব্রুৱারী ২ঃ* সিরিয়াগী অৱাং থংবদা লৈবা অলেপো সিটিদা অলকাইদানা কার বোম্বীং অনি চত্থরক্কুনা মখোয়গা য়ানদবা ইস্লামিক বৃগেদকী লালহৌ লুচিংবা অমা হাৎখ্রে।

এটেক অসিনা লালহৌবশিং মশেল খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা সিটি অসিগী ওপোজিসননা পায়বা মফমশিংদা গভর্নমেন্টশিংনা বোম কাপশিন্দুনা লান্দাবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। সিরিয়াগী এরোপ্লেনশিংনা বাব নৈরব এরিয়াদা বিল্ডিংশিংদা বোম কাপশিনবদা অতেক অকাইশিংনা মীওই কয়ামরুম ফুমজিনখ্রে হায়না অলেপো মেদিয়া সেন্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোকশিং অসিদা অশি অনা য়াওখিবগী চপ চাবা পাউদি হৌজিক ফাওবা ফংদ্রি। এক্সপ্লোসিভ থন্না হাল্লবা বেরেলশিং মিলিটরি এয়ার ক্রাফটশিংনা ঙরাং লালহৌবনা পায়বা মফমশিংদা থাদদুনা এটেক চত্থবদা অল বাবকী অকোইবদা লৈবা লালহৌবনা খুৎলিংবা মফমশিংদা মীওই কয়ামরুম হাৎখ্রে হায়রি।

সিরিয়াগী ফোর্সশিংনা হৌখিবা চয়োল খরগী মনুংদা অলেপোগী নোংপোকলোমদা লৈবা মফমশিংদা খজিক–খজিক তকশিল্লক্কুনা লালহৌবনা খুদুম চনবা মফম কয়ামরুম লৌশিনখ্রে। লালহৌবশিং অসিনা ইং ২০১২ গী ময়াই চনবদগী প্রসিদেন্ট বসার অসাদপু মফম লৌথোক্লবা অকনবা এটেকশিং চংশিল্লকখিবনি।

এক্টিভিষ্টশিংনা হায়বগী মতুংইন্না গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা তকশিল্লকপা অদু নোংথক্তগী মিলিটরি এয়ার ক্রাফটশিংনা বোম থাদদুনা মতেং পাংশিল্লকখি হায়বগা লোয়ননা বোম থাদবদা অতেক অকাই থোক্লবা য়ুমশিংদগী মীচম মীয়ামশিং অমদি লালহৌবশিং চেন্নখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। অমরোমদা লালহৌবা মশেল খুৎ থোক্লবনসু গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংদা মতেং পাংবা ওইনা থোক্লি।



অইবা অমসুং অয়েকপা
নোং লান





## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-143

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 7 | | 3 | 5 | | |
| | | | 2 | | | | | 3 |
| 5 | | | 6 | 9 | | | | 7 |
| | 2 | | | | | | | |
| | | 4 | | | 6 | 7 | | |
| | 1 | 6 | 9 | | 4 | | 2 | |
| | 7 | 5 | | | | | | |
| 6 | 3 | | | | 7 | | 9 | |
| 4 | | | | | | | | |

Prepared by : ROGER -A

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 1 | 2 | 5 | 9 | 8 | 4 | 6 | 3 |
| 6 | 3 | 5 | 1 | 2 | 4 | 7 | 9 | 8 |
| 9 | 4 | 8 | 6 | 7 | 3 | 1 | 2 | 5 |
| 1 | 8 | 7 | 3 | 5 | 2 | 9 | 4 | 6 |
| 4 | 2 | 9 | 8 | 1 | 6 | 5 | 3 | 7 |
| 3 | 5 | 6 | 7 | 4 | 9 | 8 | 1 | 2 |
| 5 | 7 | 4 | 2 | 6 | 1 | 3 | 8 | 9 |
| 8 | 6 | 1 | 9 | 3 | 5 | 2 | 7 | 4 |
| 2 | 9 | 3 | 4 | 8 | 7 | 6 | 5 | 1 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*